# নেরোকা এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে, গোকুলম কেরলা আইজোল এফ সীগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

কোলকাটা, জন্যুৱারী ২০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই-লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজপু য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা গোকুলম কেরলা এফ সী আইজোল এফ সীগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙসি কোলকাটাদা লৈবা কল্যানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা হিরো আই-লীগকী ১৫শুবা মেটচতা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সী অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী দিভলপমেন্টেল ক্লব অমা ওইনা শেল্লিবা ইন্দিয়ন এরোজগা লম্বা তৌনবদা নেরোকানা চাওনা হেন্দুনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ২০ লোমদি টিম অনীমক পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি। অদুবু ২৭শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী জুদা ইমান্যুএল গার্সিয়ানা কাওশিনখিবা শোট অমদা টিমমেট সন্তোশনা ফংলগা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি। পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী মিনট ২গী মনুংদা মখা তারকপা এটেক অমদা গার্সিয়ানা পুশিনখিবা বোল অমদা টিমমেট কালোন কিয়াতস্বানা হেদ তৌশিন্দুনা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফকী লেমহৌবা মিনট ১৫ রোমগী মতম অদুদা পাঞ্জল অনী শোত্থরবা ইন্দিয়ন এরোজকী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবগী খূদোংচাবা ফংদনা মিনট ৪৫গী শান্নবা অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২১ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়ন এরোজকী মায়কৈদা নেরোকানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জুদা গার্সিয়ানা ইন্দিয়ন এরোজকী দিফেন্দরশিং লাম্থোক্তুনা পুশিল্লকপা বোল অমা খায়দোরকপদা সন্তোশনা পাঞ্জল ওইহন্দুনা ইন্দিয়ন এরোজপু নেরোকা এফ সীনা ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

ইন্দিয়ন এরোজকী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল ৩ শোত্থরবা মতুং মখোয়গী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা শান্নরকখিবা অদু নেরোকা এফ সীগী দিফেন্দরশিংনা শান্নখিবা মশান্না অদুদা লানশিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা গার্সিয়ানা পীরকপা ক্রোস বোল অমা সোম্পু সিংসিটনা ফংখি। মখা তারকপদা সিংসিটনা অমুক হন্না খায়দোরকপদা টিমমেট খাইমিন্থাং লুংদিমনা হেদ তৌশিল্লগা পাঞ্জল চনখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ইন্দিয়ন এরোজপু ৪-০দা থোইরগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা থাক্তা লৈবা ঙমখি।


*ইন্দিয়ন এরোজকী টিমবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিং*

ঙসি আই লীগকী শান্নখিবা ১৪শুবা মেটচতা গোকুলম কেরলা এফ সী অমদি আইজোল এফ সী লম্বা তৌনখি। মদুদা টিম অনীমক অহানবা হাফকী পুংখায় অমরোমগী মতম হৌজিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈরকখি।

মেটচকী ৪০শুবা মিনটতা আইজোল এফ সীগী মায়কৈদগী চত্থখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী মালসোমজ্বালানা স্কোর তৌদুনা অহানবা হাফ অদু মখোয়না ১-০দা হেল্লগা চৎখি। অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা গোকুলম কেরলা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা আইজোল এফ সীগী লালরামাৱানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা থোইখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers | 3 | 2 | 1 | 0 | 6 | 2 | 4 | 7 |
| 2 | Real Kashmir | 3 | 1 | 2 | 0 | 4 | 2 | 2 | 5 |
| 3 | Mohammedan SC | 3 | 1 | 2 | 0 | 3 | 2 | 1 | 5 |
| 4 | Neroca FC | 2 | 1 | 1 | 0 | 5 | 1 | 4 | 4 |
| 5 | Sudeva | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 2 | 2 | 4 |
| 6 | Aizawl | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 1 | 1 | 3 |
| 7 | Chennai City FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 3 | -1 | 3 |
| 8 | Punjab FC | 3 | 1 | 0 | 2 | 4 | 5 | -1 | 3 |
| 9 | Gokulam FC | 3 | 1 | 0 | 2 | 5 | 7 | -2 | 3 |
| 10 | TRAU | 3 | 0 | 3 | 0 | 4 | 4 | 0 | 3 |
| 11 | Indian Arrows | 3 | 0 | 0 | 3 | 2 | 12 | -10 | 0 |

# ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা অমুক্কা হন্না অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিমগা দ্রো চৎখ্রে



বুইনোস আইরেস, জন্যুৱারী ২০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী জ পানদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবা ওইনা অর্জেন্টিনাদা এক্সপোজর টুর অমা চৎলিবা অসিগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা যূম্বু লৈবাক অদুগী জুনিয়র টিমগা অমুক্কা হন্না দ্রো চৎখ্রে।

মমাংদা শান্নখিবা অহানবা মেটচতসু ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেন্স হোক্কী টিম অদুনা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র হোক্কী টিমগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবনি। ঙরাংগী অনীশুবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক ঙন্না চত্থবা ঙমদুনা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিম অদুগী মায়োক্তা বোল হেন্না পায়বগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা কয়া অমা ফংননবা হোৎনরকখি।

অহানবা মিনটতা ইন্দিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গুরজিৎ কোরনা দ্রেগ তৌখিবা শোট অদু অর্জেন্টিনাগী গোলকিপর অদুনা ঙাকথোকখিবদগী পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে। মখা তানা শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা অমুক্কা হন্না পেনাল্টি কোর্নর অমগসু ফংখি। তাঞ্জা অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় দিপ গ্রেস ইকানা য়ৈখিবা শোট অদু মায়কৈ ওন্নবদগী খূদোংচাবা ফংবা ঙমহৌদবনি।

মখা তানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চত্থবা এটেকশিং পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লাক্লিঙৈ শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিমগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম ইন্দিয়ানা এটেক হেন্না চত্থরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা নবনিট কোরনা পীরকপা বোল অমদা কেপ্টেন রানীনা ইক্বেলাইজর চল্লগা ১-১দা দ্রো চৎখি।

# ৱাই এম সীনা আই টি এফ সী (বি) থোইখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অনী দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা চত্থরক্লিবা মরিশুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট প্রধান ট্রোফি ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেটচতা ৱাই এম সীনা আই টি এফ সী (বি)বু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অনী দ্রো চৎখ্রে। অদুগা মেটচ অমনা টিম লাক্তবদগী শান্নখিদ্রে।

ৱাই এম সী অমসুং আই টি এফ সী (বি)গী লম্বা অদু ঙসি অয়ূক পুং ৮.৪০ তাবদা শান্নবা হৌখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা ৱাই এম সীগী এল দেবিদনা পাঞ্জল অমা চল্লগা আই টি এফ সী (বি)বু মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু ৱাই এম সীগী এল দেবিদনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা আই টি এফ সী (বি)বু ২-০দা মাঙজিল থাখি। মেটচ মখা চত্থরকপদা আই টি এফ সী (বি)গী মায়কৈদগী ময়ানন্দ অমদি রোজিনা পাঞ্জল ২ চনশিনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ২-২দা মান্নদুনা লাকখি। অদুবু মেটচ অদুগী লোইশিল্লকপা মতমদা ৱাই এম সীগী মায়কৈদগী হান্না পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা এল দেবিদনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-২দা থোইখি।

ৱাই এস সী অমদি সিদোগা শান্নখিবা ২০শুবা মেটচতা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখি। অমরোমদা দ্রেস হাউস এফ সী অমসুং খাস এফ সী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

# কোচ ঙাংখম বিতন লৈখিদবদা এ আই এফ এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০(এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী মমাংদা য়ুঠ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা এজ গ্রুপকী কোচ ওইরম্বা ঙাংখম বিতননা ঙসি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদগী হৌখিবা ঙাংখম বিতন গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদগী শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরকখিবনি। মহাক কুমজা ২০১০দা ইন্দিয়াগী চহী ১৪ মখাগী নেসনল ফুটবোল টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা থৌ পুখি। থংনবা চহীদসু মহাক্না টিম অদুবু য়ু এস এদা পাঙথোকপা আই এম জি আর স্কোলার্শিপ টুর্নামেন্টতা কোচ ওইনা থৌ পুখি। কুমজা ২০১১দা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগী কোচ কোম টোলগী মখাদা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা থৌ পুখি। কুমজা ২০১৩দা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা থৌ পুরবা মতুং কুমজা ২০১৫দা ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা থবক তৌখি। মহাক লৈখিদবদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা নহাশিংবু য়োকখৎলম্বা মরুওইবা লুচিংবা অমা মাঙজরে হায়খি।

# ১৫রকশুবা বাক্সি ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০(ঐচএনএস): আই জি এ আরগী লমজিং মখাদা অসাম রাইফলসনা মণিপুরগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী পার্বুংদা থা অসিগী ১৩দগী পাঙথোরকপা ১৫রকশুবা বাক্সি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে।

চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু অসাম রাইফলসনা শিল্লগা মার য়ুঠ অমদি পার্বুং য়ুঠ এসোসিএসন অনীনা মতেং পাংদুনা পাঙথোকপনি। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু পার্বুং (এ টিম) অমসুং দামদৈ (এ টিম)গা লম্বা তৌনখি। টুর্নামেন্ট অসি পার্বুংদা মিলিটেন্টশিংগা কুমজা ২০০৬কী জন্যুৱারী ২০দা খূৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবা লেফটনেন্ট কর্নেল রাজিব বাক্সি, সেনা মেদল (পোষ্ট্যুমস)গী মিংদা পাঙথোকপনি।

মায় পাকখ্রবা টিমনা ট্রোফি, গোল্ড মেদল অমদি শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩৫ ফংখি। রন্নর্স অপ তাখিবা টিমনা সিলভর মেদলশিং অমদি লুপা লিশিং ২৩গী শেলগী মনা ফংখি। মেটচ অদু লোইরবা মতুং তোঙান-তোঙানবা কলচরেলগী ওইবা প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মফম অদুগী নহাশিংগী মরক্তগী ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরমসু য়াওখি।



অতোপ্পা পাউ অমদা অসাম রাইফলসনা মখা তানা চত্থরকপা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী সাইবোল জৌপী ভিলেজদা ঙরাং ফুটবোল গোল পোষ্ট অমা শেমগৎখ্রে হায়রি। অসাম রাইফলসনা অনৌবা ফুটবোল গোল পোষ্ট অদু মফম অদুগী মীয়াম্না ফুটবোল গ্রাউন্দ অদু শেমগৎ-শাগৎপগা লোয়ননা খূদোংচাবা অদু পীবীয়ু হায়রকপদগী মতেং পাংখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেটুপুরদা চয়োল অনী চুপ্পা চত্থরকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা অসাম রাইফলসনা মতেং পাংলগা লোইশিনখ্রে। কুম্বী সেটুপুর মমাং লৈকাই য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগা খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি। টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না টিম ১৮না শরুক য়াখি।

# সেভিয়ানা দিপোর্টিভো অলাভেসপু ২-১দা থোইখ্রে

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ২০(এজেন্সী): স্পেনগী লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সেভিয়ানা দিপোর্টিভো অলাভেসপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু মাদ্রিদ সিটিদা লৈবা মেন্দিজোরোজা ষ্টেদিয়মদা দিপোর্টিভো অলাভেসনা যূম্বু ওইরগা সেভিয়াগা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্পগী ৩শুবা মিনটতা সেভিয়াগী মায়কৈদগী জিজস নাভাসনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় য়ুসেফ এন নেসরিনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা দিপোর্টিভো অলাভেসপু ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা সেভিয়াগী মায়োক্তা দিপোর্টিভো অলাভেসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা অদু শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা মায় পাকপা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জিমো নাভারোনা সপ্লাই তৌখিবা বোল অমা এদগার মেন্দেজনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংলগা মেটচ অদু মখা তারকপদা অমুক হন্না মান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী পুংখায় ফাজিল্লকপদা সেভিয়াগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমদা জেন জোর্দাননা পীরকপা বোলদা সুসোনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-১দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ সেভিয়ানা ২-১দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী সেভিয়ানা ২-১দা থোইরগা লালিগাগী টিম ২০গী লম্বাদা মরিশুবা থাক্তা পোইন্ট টেবলগী কাখল অদু কনবা ঙমখি। মেটচ ১৬খক্তা শান্নবদা ঙাইরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদনা পোইন্ট ৪১ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

# বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু বেয়র লেবরকুসেননা ২-১দা থোইখ্রে

বর্লিন, জন্যুৱারী ২০(এজেন্সী): জর্মনিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈবা অমা ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু বেয়র লেবরকুসেননা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাংওইননা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ মেটচ ১৬ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ২৯ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, বেয়র লেবরকুসেনসু মেটচ ১৬ শান্নবদা পোইন্ট ২৯ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মেটচ অদু বেয়র লেবরকুসেননা যূম্বু ওইরগা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ বে এরেনাদা শান্নখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা বেয়র লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী লিওন বেলিনা পীরকপা বোলদা মোসা দিয়াবিনা পাঞ্জল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী শান্নবগী মখা তাবা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবা মখোয়গী মথক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা বেয়র লেবরকুসেনগী মায়কৈদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী এটেক হেঞ্জিল্লকখি। মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী রাফেল গুইরৈরোনা পীরকপা বোলদা টিমমেট জুলিয়ন ব্রান্দনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনী অমুক হন্না অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্ননবা লাক্লরকখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ১০দা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা বেয়র লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মোসা দিয়াবিনা পীরকপা বোল অমদা ফ্লোরিয়ান ৱর্টজনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাখিবা অদুনা মেটচ অদু লোইশিনখি।

# লেষ্টর সিটিনা চেলসি থোইদুনা লীগ টেবল মাঙজিল থাখ্রে

লন্দন, জন্যুৱারী ২০(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লেষ্টর সিটিনা চেলসিবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা লেষ্টর সিটিনা যূম্বু ওইরগা কিং পাৱর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মাংওইননা টিম অদুনা মমাংগী মেটচ ১৮ শান্নবা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, চেলসি ফুটবোল ক্লব মেটচ ১৮দা পোইন্ট ২৯ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপা শুপ্পগী ৬শুবা মিনট চঙশিল্লকপদা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী হার্বি বর্নসনা পীরকপা বোল অমদা ৱিলফ্রেদ নিদিনা পাঞ্জল চন্দুনা চেলসিবু মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি।

মেটচকী মখা তারকপা পুংখায় অমা হেল্লকপা ফাওবা চেলসিগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমখিদে। নাকল অমরোমদা লেষ্টর সিটিসু মখোয়না হান্না চন্দুনা লৈরিবা পাঞ্জল অদুগী মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লাকখি। অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা লেষ্টর সিটিগী য়াম্না ফজবা এটেক অমদা মার্ক অলব্রাইটননা পীরকপা বোলদা টিমমেট জেমস মেদিসননা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী মখা তাবা লম্বাদা চেলসিগী শান্নরোয়শিং মখোয়না শোত্থখিবা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবদগী লেষ্টর সিটিনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩৮ ফংবগা লোয়ননা টেবলগী মকোক্তা লৈখি।

# অটলান্টানা উদিনেজকা দ্রো চৎপদগী থাক হাইগৎপা ঙমখিদ্রে

রোম, জন্যুৱারী ২০(এজেন্সী): অটলান্টা ফুটবোল ক্লবনা ঙরাং শান্নখিবা সেরি এগী ১৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা উদিনেজকা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা মখোয়না হান্না লৈবা পোজিসনদা অদুদগী হাইগৎপা ঙমখিদ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদু উদিনেজনা যূম্বু ওইরগা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ দাসিয়া এরেনাদা শান্নখিবনি। যূম্বু টিম অদুনা মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ১ চঙশিল্লকপদা অটলান্টাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অদু উদিনেজকী কেবিন লসাগনানা পীরকপা বোলদা রোবর্টো পেরেরানা চনখিবনি। অটলান্টাগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা উদিনেজনা ঙন্না চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা পুংখায় অমরোম হেন্না শান্নরকখিবা অদুদা কান্নবা ফংবা ঙমখিদে। মেটচকী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা হোৎনবা লেপখিদবা অটলান্টাগী মায়কৈদগী মাটিও পেসিনানা পীরকপা বোলদা লুই মুরেলনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

পনবা য়াই, মেটচ অদুগী মাঙওইননা অটলান্টানা সেরি এগী ১৭শুবা রাউন্দ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩২ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মখোয়না উদিনেজকা শান্নবা মেটচ অদু থোইরম্বা তারবদি পোইন্ট ৩৫ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরমগদবনি। মদুগী ৱাখল্লোনদা ঙরাংগী মেটচ অদু মখা চত্থরকপদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা মখোয়গী মায়কৈদগী পুথোকখিবা অরৈবা পাঙ্গলশিং অদু উদিনেজকী দিফেন্দরশিং অদুনা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী মায় পাকপা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

SMART TUTORIAL CENTRE

ADMISSION OPEN

**Revision Course 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Foundation 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

Commences on 10th & 20th January 2021

- Special fee concession for former student
- Regular mock test with analysis
- Well structured study material
- Separate hostel for boys & girls

*For details please visit* **Smart Tutorial Centre**
**Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860**

HL-P/8361/28/12-26/01

LOAN AVAILABLE
State/Central pensioner
Special offer for 2 wheeler vehicle Loan
(0% Down payment)




L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.

HL-B/6672/5/1-4/3 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com